ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯟ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুন ৩০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৯৫শুবা মশীং

কোভিদকী লাম্হেংদা অহোবা

হৌজিকপু অহোবা লৈহনবা য়াবা মতমলা

অফবা গভর্ণমেন্ট অমা হায়বসি গভর্ণমেন্টতুবু লুচিংলিবা লিদরদুনা দাইনামিক ওইবা, ত্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক পূম্নমক তৌবা, একাউন্টেবিলিটি লৈবা খক্তনা য়ারোই। মঙোন্দা লৈরিবা মীয়ামগী থবকশিং থম্মোয় শেংনা, চোকথবা নাইদনা তৌরিবা, তৌনীংলিবা অদুগী স্পিরিট অদুবুদি অফবনি, থাগৎপীগদবনি। অশেংবা, মপূং ফাবা লিদর অমগী চেনফম থোকপা, লোয়নফম থোকপা শক্তম অমদি ফিদমশিং শুনা য়াওবদুবুদি মহাক্কী মীয়ামগী লাইবক ফবনি। অদুবু লৈবাক লৈঙাকপগী থবকসিদি লিদর মথন্তনা য়াদবনিনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টতা ইনভোল্ভ তৌরিবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈরিবা ওফিসলশিংগী সিন্সরিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটিসু য়াম্না তঙাইফদে। গভর্ণমেন্ট অমগী মেছিনরিশিংনা লৈঙাক্তুনা লৌখৎলকপা পোলিসি প্রোগ্রামশিং থবক্তা মতম চানা ত্রান্সলেট তৌবা ঙম্লবা মতমদুদা গভর্ণমেন্টতু অফবনি, মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং তৌবনি হায়নরক্কদৌরিবনি। মীয়াম্নসু অফবা গভর্ণমেন্ট অমদগী ফংফম থোকপা মরেক মহাও চপ চানা ফংগদৌরিবনি। মতমদুদা মফমদু চাওখৎপগী লম্বীদা মাঙলোমদা চঙশিনবা মফম অমা ওইগদৌরিবনি। লৈবাক মীয়ামদগী ফংফম থোকপা মতেংশিংসু ফংগদৌরিবনি। মসিনা নোর্মেল ওইনা লৈগদবা, লৈফম থোকপা গভর্ণমেন্ট অমগী ফীভমগী ৱানি। অদুবু হৌজিক মণিপুরনা মায়োক্নরিবসিদি মহু ইকন-কন্দবা ইপিদেমিক অমা নত্তে। মীচম মীয়ামগী মমল য়াম্লবা থৱায়শিংবু শেৎ-শেৎতুনা পুবা ঙম্বা, হৌজিক ফাওবদসু লেপ্তুনা পুরক্লিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনি। পেন্দমিক অসিগী শাথীখ্রবা সেকেন্দ ৱেভনি। লায়নাসি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা পাক্তক্লনা শন্দোরকপদগী পীক্লিবা চীংলৈবাক অসিদসু য়ৌশিল্লক্লিবনি। জুন ২৮, ২০২১ ফাওবদা লায়নাসিনা মরম ওইদুনা মোংফমদা পুখিবা মীওই ১১৩০ শুখ্রবনি। নুমিৎসি ফাওবদা লায়নাসিনা নাহনবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৮,৪১৮ শুহনখ্রবনি। অদুগা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ৫,৬৪২ লৈখ্রবনি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ অসিবু মায়থীবা পীননবা অকনবা থবকশিং লৌখৎলি। মথৌ তারে হায়না হেক খনবা থৌরাং পূম্নমক অমত্তা চিংখ্রদনা লৌখৎলি। লানসিদা মায়থীদনা, মায় পাক্না পজেং ফিরাল থেৎতুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোক্তুনা পান্বেশিং থিরি। মথৌ তাবা মেদিকেল প্রিকোসনরি মিজরশিং পায়খৎপগী মথক্তা লাইশোন তিনশোনগী থৌরমশিং ফাওবা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্তুনা থৌনিরি। লানফমসিদা মথৌ তাবা খূৎলায়শিং খূবাম চেৎনা পায়দুনা লাম্হেংনরি। অদুবু তাল্লকসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবা পায়বগুম্বগী থৌওং চখ্রম্বসিদি চুমদে। ফীভমসিদি লাইবক থীবনি হায়দুনা পেন্থোকপা চুল্লোই। গভর্ণমেন্টনা অয়ূক নুংথিল নুমিদাং খাক্তনা হোৎনজরক্লিবা পূম্নমক উৎতা ঘি হৈজিনবনি। মসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটি খরদা ‘ক্রিমিনেল মাইন্দেদ’ কি ৱাখল্লোন অমা চেনবগী থৌওংনি। মণিপুর ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা চপ চাবা চৈরাক পীহৌগদবনি নৎত্রবদি অতোপ্পা লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৫গী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনসু মতৌ তম্নরকপা য়াই, লমদম্নরকপা য়াই। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী সেম্পল জুন ২৫, ২০২১দা লৌখিবনি। অদুগা জেনিমসতা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবনি। মসিগী রিজল্টনা জুন ২৬, ২০২১গী নুংথিলদা ফংবনি। রিজল্টসিদা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখিবনি। মসি ওইরগদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী হান্নদগী পোজিটিভ কেসশিং হেক থেংনরকপগা পন্দনা দিষ্ট্রিক্টসিগী অতৈ মফমশিংদা লৌখৎপগুম মেদিকেল প্রিকোসনরি মিজরশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিংসু দেপ্যুটি কম্মিস্নর মশামক্কী টেষ্ট রিজল্ট অসিগী মতুংইন্না লৌখৎহৌদবা করিগীনো? হায়রিবা চেকশিন-থৌরাংসি মথৌ তাবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনসিদা খক্তা নত্তনা সঞ্জেনথোং মনাক্কী মহাক্না লৈরিবা ক্বার্টর অমসুং মসিগী অকোয়বদসু লৌখৎফম থোক্তব্রা? হৌজিক্তি থবকশিংসি অমত্তা লৌখৎহৌদ্রে। ইকায় খাংদগী কং কোৎপদৌনা দেট বেকতা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোরক্কদ্রা হায়বদুমদি খঙদ্রে। অদুবু মসিনা মরম ওইগদ্রা নৎত্রগা ওইরোইদ্রা হায়বদুদি খঙদনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর অসিগী ওফিসকী ষ্টাফ অমসু জুন ২৮, ২০২১দা ফংখিবা টেষ্টকী রিজল্টতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখ্রে। ওফিসল ওইনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা অথিংবা থমদুনা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌদ্রবসু, কন্টেক্ট ত্রেসিং তৌহৌদ্রবসু দেপ্যুটি কম্মিস্নর মশামক পোজিটিভ ওইরে খঙবদগী মশা মশানা আইসোলেসন তৌনরক্লবা ষ্টাফশিংগী মনুংদা মখা তানা পোজিটিভ ওইবা য়াওশিল্লকপা, মসিদগী হেন্দোরক্তুনা শিবা য়াওরক্লগনা কমদৌবা? পোজিটিভ ওইহনবা অমসুং শিহনবগী তেকচাক কনাদা নমগদৌরি? মসি চুমদে। গভর্ণমেন্টনা খুরক হোহন্দনা কোভিদ-১৯ লাম্হেংনরকপসিদা হৌজিকপু খুরক্তগী লিৎথবা অহোবা লৈহনফম থোকহনবা য়াবা মতমলা? ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মথ্বায় পালহল্লিবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেনগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং প্রপ-প্রপ লৌখৎহৌবা চুমগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০

১) মণিপুরগী শক্নাইরবা স্কোলর অমসুং কবি অমগী শৈরেং মতেকনি - “ওইরকই থৱায় পান্দবগী জগৎ প্রকৃতিগী/চঙলকই পুন্সি জগৎতা প্রাণময়গী লমদমদগী/ওইরকই পূক্নিং মনোময় জগৎকী নুংশা শ্বরনা/হৌজিক্তি য়াতারি চরাঙননা মীওইবগী পুন্সিনা/খনজৈ মীওইবনা পন্থুংফম য়ৌরেদনা/লোইরেদনা তীর্থ যাত্রাগী খোঙচৎসে।” কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী “উমরাও জান অদা” হায়বসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) “খোইয়ম ব্রহ্মা অচিবা নঙগী সনা তুখোং খুদিংদা তলা উমিৎলোইনা মহৈ চুম্না য়ানবগুম থবী শেনগোইরেন অপানবনা মঙাল যুমদা চংলবনিনা ফকলাং লোঞ্জা মিফাৎলমদা উফুন সনা হায়ে কুপকুম হন্দোক হঞ্জিন্ননা ফমফল্লিবী মায়া শক্তি লাইরৈমা নঙোন্দগী শিব মহাদেব চোংথোক্লুকএ।” ৱাহৈ পরেং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

৪) মহারাজ কুমারি বিনোদিনী দেবীগী “যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল’ ফংখিবা লাইরিক্তু করি লাইরিক্নো?

৫) মণিপুরী সাহিত্যগী (মণিপুরদা ফোঙবা) অহানবা চেফোঙ অদু করিনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল *hueiyenliteraryquiz@gmail.com* সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

অকোয়বদগী এনর্জি লৌশিল্লগা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপা ঙম্বা কার্বন নানোট্যুব

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

Electric power is everywhere present in unlimited quantities and can drive the world’s machinery without the need of coal, oil, gas, or any other of the common fuels. *-Nikola Tesla*

ইলেক্ট্রিসিটি হায়বসি মফম খুদিংমক্তা লৈ। মীওইবা ঐখোয়গী হকচাং মনুংদসু ইলেক্ট্রিসিটিনা অঙক-অঙকপা কয়া তৌহল্লি। নর্ভশিংনা পাউ থাদোক-থাজিন তৌরিবা অসিসু ইলেক্ট্রিক সিগ্নেলশিংনা ঙমহল্লিবনি। মীওইবগী থম্মোয়না লেপ্পা লৈতনা খপ্লিবা অসি ইলেক্ট্রিক করেন্টনা থোকহল্লিবনি। ইশম হেক শম্না হায়বা তারবদি থৱায় পানবা জীবশিং ওইগেরা, থৱায় পান্দবা পোৎশিং ওইগেরা, মখোয় খুদিংমক্তা এটম হায়না খঙনবা পিকখ্রবা পোৎশিং য়াওরি। এটমশিংগী মনুংদা অমুক চার্জ পুরবা ইলেক্ট্রোন (নেগেটিভ চার্জ) অমসুং প্রোটোন (পোজিটিভ চার্জ) য়াওই। ইলেক্ট্রিসিটি হায়বসি মপূং ওইনা ইলেক্ট্রোনশিংনা চেনবদগী থোকপনি। অদুনা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্লবগীদমক্তদি ইলেক্ট্রোনশিংবু চেলহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই।

ইলেক্ট্রোনশিংবু চেলহন্নবগী কাঙলোন কয়ামুক লৈ। ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা ‘নেচর কম্ম্যুনিকেসন্স’ দা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী থিজিন লূপ অমনা য়াম্না পিকপা কার্বন পার্টিকলশিং শীজিন্নরগা অকোয়বদা লৈরিবা মহীগা ইন্টরেক্ট তৌনহন্দুনা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। ওর্গানিক সোলভেন্ট অমা ওইরিবা মহী অসিনা পার্টিকলশিং অদুদগী ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকহন্দুনা কেমিকেল রিএক্সনশিং থোকহনবা নৎত্রগা মাইক্রো নৎত্রগা নানোস্কেলগী রোবোটশিংবু মথৌ তৌহনবা য়াগনি হায়রি।

এম আই টিগী প্রোফেসর ওফ কেমিকেল এঞ্জিনিয়রিং, মাইকেল ষ্ট্রানোনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়না পুথোক্লিবা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্লবগী মেকানিজম অসি অনৌবা অমনি। অসুম্না পুথোরক্লিবা ইলেক্ট্রিসিটি অসিনা কেমিকেল ইন্দষ্ট্রিদা য়াম্না মরু ওইবা অলকোহোল ওক্সিদেসন হায়না খঙনবা রিএক্সন অদু থোকহনবা ঙম্মী হায়রি। কার্বন নানোট্যুব হায়বসি কার্বন এটমশিংগী লেত্তিস অমগী মনুং হোবা উতোংশিংনি। কুমজা ২০১০দা, ষ্ট্রানোনা অহানবগী ওইনা কার্বন নানোট্যুবশিং ‘থর্মোপৱার ৱেভশিং’ থোকহনবা ঙম্মী হায়না উৎপা ঙমখি। কার্বন নানোট্যুব অমদা ফ্যুলগী মরোল অমা তৈশিনবা মতমদা ট্যুব অদুদা মৈশাগী পলসশিংগী ঈচেল অমা চেল্লকই হায়বদি থর্মোপৱার ৱেভশিং থোরক্তুনা ইলেক্ট্রিক করেন্ট পুথোকই।



কার্বন নানোত্যুব

অসুম্না ফংলকখিবা মহয় অসিদগী ষ্ট্রানো অমসুং মহাক্কী মহৈরোয়শিংনা কার্বন নানোট্যুবকী মরী লৈনবা অনৌবা শক্তম অমা খঙবা ঙম্লক্লম্মী। নানোট্যুব অমগী শরুক্তা টেফ্লোন মানবা পোলিমর অমা তৈশিনবা মতমদা, তৈশিনখিবা শরুক অদুদগী তৈশিনখিদবা শরুকলোমদা ইলেক্ট্রোনশিংনা চেল্লতুনা ইলেক্ট্রিক করেন্ট থোকহনবা ঙম্বা এসিমেট্রি অমা ফংবা ঙম্লম্মী। অদুগুম্বা ইলেক্ট্রোনশিংদু ইলেক্ট্রোনশিংবু য়াম্না পাম্বা সোলভেন্ট অমদা পার্টিকলশিংদু লুপশিল্লগা চেলহনবা য়াই। অসিগুম্বা ইলেক্ট্রিসিটি অসি কান্নবা মওংদা শীজিন্নবা য়ানবগীদক কার্বন নানোট্যুবশিংদু তকখাইরগা চে মানবা পোৎ অমদা ওন্থোকই। চেনা খুদিংমক্কী নাকল অমদা তেফ্লোন মানবা পোলিমরদু তৈশিল্লি, অদুগা অপাম্বা অমসুং চাওবগী চাং অমা হেক্তদা ককথৎলম্মী। থিজিনখিবা অসিদা, থিজিন লূপ অসিনা পার্টিকলশিংদু ২৫০ মাইক্রোন x ২৫০ মাইক্রোনগী চাংদা ওইহনখি। অসিগুম্বা পার্টিকলশিংসি অসিটোনাইত্রাইলগুম্বা ওর্গানিক সোলভেন্ট অমদা লুপশিনবা মতমদা, সোলভেন্ট অদুনা পার্টিকলশিংদুগী তেফ্লোন মানবা পোলিমর তৈশিনখিদবা শরুক অদুদা নপশিল্লি, অদুগা ইলেক্ট্রোনশিং চিংবা হৌরকই। মসি হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা বেত্তরিশিংগা মথৌ তৌবগী মওংদা য়াম্না খেন্নৈ হায়না ষ্ট্রানোনা ফোঙদোক্লি।

মাইকেল ষ্ট্রানো

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখোয়না পুথোক্লিবা প্রোটোটাইপ অসিগী পার্টিকল অমনা ভোল্ট ০.৭ মুক্কী ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপা ঙম্মী। থিজিনখিবা অসিদা থিজিন লূপ অসিনা অপিকপা টেষ্ট ট্যুব অমদা পার্টিকল চা কয়াগী অরেশিং শেম্বা ঙমখি। অসিগুম্বা রিএক্টর অমনা অলকোহোলবু অলদিহাইদ নৎত্রগা কিটোন্দা ওন্থোকহল্লিবা, অলকোহোল ওক্সিদেসন হায়না খঙনবা রিএক্সন অদু থোকহন্নবগী মতিক চারবা এনর্জি পুথোকই। অসুম্না শেম শারবা রিএক্টরসি কম্প্লেক্ট ওইবনিনা অচৌবা ইলেক্ট্রোকেমিকেল রিএক্টর অমদগী হেন্না ফ্লেক্সিবিলিটি হেল্লি হায়না জাংনা ফোঙদোক্লি। পার্টিকলশিংসি য়াম্না পিকহনবা য়াই, অদুগা ইলেক্ট্রোকেমিকেল রিএক্সন অদু থোকহন্নবগীদমক মপান্দা তারাশিং শম্বগী মথৌ তাদে।

মতুং তারকপা থিজিনবগী থবক্তা, মতৌ অসুম্না পুথোক্লিবা এনর্জিসি কার্বন দাইওক্সাইদ খক্তং শীজিন্নরগা পোলিমরশিং শাবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়না ষ্ট্রানোনা থাজবা থল্লি। মসিগা হায়ফেৎ মান্নবা মওং অমদা, মহাক্না নুমিৎকী এনর্জি শীজিন্নরগা কার্বন দাইওক্সাইদকী মতেংনা মরোমদোম রিজেনেরেট তৌজবা ঙম্বা পোলিমর হান্নবা পুথোকপা ঙমখ্রবনি। থৌওং অসি নুমিৎকী মঙাল শীজিন্নরগা পাম্বীশিংনা চিনি শুংবদা শীজিন্নবা কেমিকেল রিএক্সনশিং অদুগী মতৌ তম্লগা পাঙথোকখিবনি।

মখা তানা থিজিনবগী থবকসি পাঙথোক্তুনা মখোয়না পুথোক্লিবা এনর্জি অসিনা মাইক্রো নৎত্রগা নানোস্কেল রোবোটশিং চল্লাইহনবদা শীজিন্নবসু য়াগনি হায়রি। ষ্ট্রানোগী লেবতা অসিগুম্বা অপিকপা স্কেলগী রোবোটশিং শেমগৎপা হৌখ্রবনি। অসিগুম্বা রোবোটশিংসি দাইগ্নোষ্টিক নৎত্রগা ইনভাইরনমেন্টল সেন্সরশিংদা শীজিন্নবসু য়ারক্কনি। মতৌ অসুম্না ইনভাইরনমেন্টকী এনর্জি শুংবগী ৱাখল্লোন অসিবু মাইক্রো নৎত্রগা নানোরোবোটশিংদা শীজিন্নবা ঙম্লকপসিমক য়াম্না শিংথানীংঙাই ওই হায়না ষ্ট্রানোনা ফোঙদোক্লি। ●

মাউন্ট ভাগীরথী টু এক্সপিদিসন - ২০০৩ (১)

(১৫ সেপ্টেম্বর - ১৫ ওক্টোবর, ২০০৩)

- ডা. সাধনা নিংথৌজম -

মহাভারত মহাকাব্যদা ভাগীরথী মহারাজনা মহাক্কী মপা-মপুশিংগী পাপ কোক্লনবা অকনবা প্রাইশ্চিৎ তৌবদা পেল্লদুনা ব্রহ্মানা শেংলবা গঙ্গাগী ঈচেলবু বৈকুন্থদগী চেন্থহনবা য়ারম্মী অদুগা মতম শাংনা প্রাইশ্চিৎ তৌদুনা ইবুংঙো শিববু নীংজবদগী প্রভু শিবনা পেনবীরদুনা বৈকুন্থদগী চেন্থরকপা গঙ্গাগী কল্লবা ঈচেলবু থৎলগা ঈচেল তপথহন্দুনা শেংলবা গঙ্গাগী ঈচেলবু শ্রীবিষ্ণুগী মনাক শ্বর্গলোক্তগী মালেমদা চেন্থহল্লকখি অমসুং ভাগীরথী মহারাজগী মপা-মপুশিংগী পাপশিংবু চামথোকপীরম্মী। অসিগুম্বা হিন্দুশিংগী থাজনবী অসিগা গঙ্গাগী ঈশিংগী থোইদোকপা মগুণ অদুগা মিথোলোজিগী ৱারীদুগা চাশিন্নৈ।

চীংকারোই ১০, তেংবাঙবা ৫ পূন্না মীওই ১৫না শাবা চীং কানবগী খূৎপু অদু এক্সপিদিসন অদুগী মেদিকেল ওফিসর ওইরিবা ডা. নিংথৌজম সাধনা, ৱারেংজরিবী ঐহাক্না ইথৌ পাঙথোকপা ওইনা ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসন, ন্যু দেল্লীদা মেদিকেল চেক-অপ তৌরম্মী। আই এম এফকী প্রসিদেন্ট শ্রী এন এন ভোরানা ঐখোয়বু পূক্নিং য়াম্না থৌগৎপীবতা নত্তনা পোৎ-চৈ ৱায়বগী অৱায়মলসু লৌবীরমদে।

সেপ্টেম্বর ১৩, ২০০৩দা টোয়োতা ক্বালিস অনী ৱায়রগা উত্তরকাশিগীদমক খোঙশাল্লম্মী। সেপ্টেম্বর ১৪দা উত্তরকাশিদা থুংলম্মী অদুগা ভান্দারী এনেক্স (মথোল মঙা ৱাংবা হোটেল) তা লৈরে। মফমদুদগী ঐখোয়গী চান-থক্নবা অমসুং চাক থোংবদা চঙগদবা পোৎ-চৈ লৈশিল্লম্মী। সেপ্টেম্বর ১৫দা ঐখোয়গী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম লাবা, এক্সপিদিসনগী লুচিংবা জি অনিতা অমসুং শ্রীসুরজিৎকা লোয়ননা অতৈ টিমগী মীওইশিংনা এন আই এমগীদা মাউন্ট ভাগীরথী টু এক্সপিদিসন্দা চঙগদবা অৱাংবদা শীজিন্নগদবা খূৎশু খূৎলায়শিং, দম্বুর অমসুং তূম্নবা বেগ ৱায়বা চৎলম্মী। উত্তরকাশিদগী গঙ্গোত্রি চৎপগী লম্বীদা কিলোমিটর নিফুমঙা, গঙ্গনানি মনাক্তা শাথীনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা লেন্দস্লাইদ তৌরম্মী। মদুদগী খোঙনা মফমদু লাম্থোক্লগা লেন্দস্লাইদকী অশোম থংবা মায়কৈদগী অতোপ্পা বস অমা ৱায়রগা ঐখোয়গী খোঙচৎ অদু মখা চথরম্মী।

গঙ্গোত্রি চৎপগী লম্বীদা ঐখোয়না এপলগী লৈকোল ফাওদুনা চৎলম্মী অমসুং মদুদগী হেকপদা ঙায়রিবা এপল লৈদুনা হাউনা চারম্মী; “মদুদা এক ফুল দো মালি” হায়বা হিন্দি ফিল্মদু নীংশিংলক্লম্মী। ঐনা এপল লৈকোলদা হৌরিবা এপলদু পায়রম্মী অদুগা এম এম টি এগী সাধনা, ফিল্মগী এক্ট্রেসতুদি নত্তে, ঐগী ফোটো নম্বীরম্মী। ঐখোয় নুংথিল পুং ২.৩০দা গঙ্গোত্রিদা থুংলম্মী অদুগা মনিশা হোটেল গঙ্গোত্রি হায়বা সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ৩১৪০ ৱাংবা মফমদা লৈরিবদুদা পল্লম্মী। ঐখোয়না পুগদৌরিবা ঐখোয়গী খূৎশু খূৎলায় অমসুং চান-থক্নবা পোৎলমশিংদুগী অরূম্বা ওন্থোক্লগা ত্রেক্কর পূম্নমক্তা পোরগা পুবদা য়াঙননবা হায়দুনা য়েন্থোক্নরম্মী। গঙ্গা তুরেলগী নীংথিজরবা ঈচেলনা চাউরবা নূংজাওশিংদা য়ৈবদা হৌরবা খোঞ্জেল থোক্লিবা অমসুং মদুগী তাম্না খোন্থাংনা য়ৈরুরগা অমুক হল্লক্লিবা পূম্নমক্কী নীংথিজবদুদা ঐখোয়না ঙাওরুরি। গঙ্গা তুরেলদা ইপা ইপুশিংগীদমক পুজা অমসুং তর্পোন কৎলে। জুন ১৮গী ঈহৌদা ঐখোয়গী ষ্টেটকীদমক থৱায় কৎখ্রবশিংগী মফমদসু ঐখোয়না পুজা অমসুং তর্পোন কৎলম্মী। ঐখোয়না এক্সপিদিসন চৎলিবা মতমদুসু ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা লাইরৈপাক তানবদা মখোয়গী নীংবা থুংখিদবা কয়াগী লাংদগী নাম্থোক্তুনা ঈশ্বরগী খুয়া য়ৌদুনা শান্তি ওইনা য়াতারুনবগী, তর্পোন কৎপগী লাংবন থাগী মতমসু ওইরম্মী। মখোয়না পেনবীনবা অমসুং হরাওনা লৌবীনবা চেঙ, থোইদিং অমসুং ঈশিং কৎতুনা মখোয়গী থৌজাল নীজরম্মী। মসিমক মখোয়না পেনবীনবা পুজানি, মখোয়গী মচিঞ্জাক কৎচবনি। মসিদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী, ঐখোয়গী ষ্টেটকীদমক থৱায় কৎখ্রবশিংগী মফমদা কৎচরিবা অদুদা ঐখোয়গী য়াওজরিবা খরদুদগী অমত্তা ৱাৎতনা হোৎনরম্মী। ঐখোয়গীদমক পুজা তৌবিরিবা পন্দিট অদুনা অঙাংবা মচুগী ফি অনীখক বীজয়াগা ইবান্নীদা পীরম্মী অদুগা ঐখোয়দা মহাক্না পাঙথোকখ্রিবা পুজা অদু য়াম্না পেনখিবা অমনি অমসুং মদুগী অফবা মহয় ফংগনি হায়রম্মী। ঐখোয়গী লুচিংবা য়াম্বেম লাবসু ভাগীরথী টু এক্সপিদিসন অসিগী মমাঙদা লৈখিদবা মনাওশিং অমগীদমক তর্পোন কৎলম্মী অদুগা মহাক্না পুজা তৌদুনা লৈখিদবগী উৎ অমসুং লৈনচিংবদু শেংলবা গঙ্গোত্রিগী ঈচেলদা তিলহল্লম্মী। গঙ্গোত্রি অসি মালেম থুংনা খঙনরবা মফমনি অমসুং গঙ্গোত্রিগী শেংলবা লাইফম অসি মালেমগী ফাওরবা তির্থনি অমসুং চহী খুদিংগী মশীং য়াম্লবা লমকোয়বশিংগী কোয়রকফমনি। সেপ্টেম্বর ১৫দা গঙ্গোত্রিদগী ঐখোয়গী ত্রেক্কিং হৌরম্মী, ফাওরবা মন্দিরদুদা থৌনিজরগা লাক্লম্মী অদুগা ঐখোয়গী ত্রেক্কিংগী ইন্ত্রি ফীসু গঙ্গোত্রি নেসনল পার্ক চেক পোষ্টতা পীথোক্লম্মী। সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ৩৭৯২ ৱাংবদা লৈরিবা বোজবাসাদা নুমিৎতুমক্তদা থুংলম্মী অমসুং মদুদা অহিংদুমা লৈরম্মী। বোজবাসা হায়বসি এদভেঞ্চর পামজবা লমকোয়বশিংগী মফমনি। ইনভাইরনমেন্ট এক্টিভিষ্টশিংনা বোজপত্রা (ঐখোয়না ভুজপত্রা হায়নবা) পাম্বীগী সেপ্লিং লৌনরম্মী। মফমসিদা বোজপত্রা পাম্বী য়াম্না হৌই অমদি মীয়াম্না কুঠি ইননবা মসিগী মকু লৌনরম্মী। ঐহাক ইশাদি পাম্বীসিগী মরমদা থোইনা খঙলমদে, অসিগুম্বা এক্সপরিয়েন্স অসিনা পুন্সিদা অহোংবা পুরকপদা নত্তনা ঐখোয়দা অনৌবা লৌশিংসু পীরি।

মথংগী নুমিৎ, সেপ্টেম্বর ১৬কী অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবদা শেংলবা গঙ্গা তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা গোমূখ গ্লেসিয়র ফাওদুনা নন্দনবনগীদমক খোঙশাল্লে। ষণবীগী মচিন মাল্লি হায়দুনা গোমুখ কৌরিবা অদুগী মচিনদুদগী ঈশিং চেন্থরক্লিবা অকোয়বদুসু য়াওনা লোইনমক উন ওল্লবা মফমনি। গোমূখ অসি গঙ্গোত্রি গ্লেসিয়রগী শুংলেপ লেপ্তুনা উন শৌদোকফম ওইদুনা মসিদগী অমোৎপা য়াওদ্রবা শেংলবা ভাগীরথী তুরেলগী ঈচেলনা চেন্থখ্রি। মফম অসিদা গ্লেসিয়রদা চৎপগী অতোপ্পা খোঙথাং, শ্বর হোনবা ৱাবা অরুবা ত্রেক্কিং, পূম্নমক অসিনা সপোর্ট টিমগী ওইনা খ্বাইদগী খুদোংথীনীংঙাই ওইরম্মী, অদুবু থৌরিগী মতেংনা লাম্থোক্লম্মী অমসুং ঐখোয় মশেল অমনা অমগী পুন্সিগী মতেং ওইনরম্মী। য়াকনা ঙান্থোকপা মচুগী ফুরিৎ লীৎপনা থোকহন্নীংদবা খুদোংথীবা থৌদোক অমা থোকপদা মীদু কদায়দা লৈবগে খঙননবা অদুগা সনগ্লাস উপ্পনা স্নো ব্লাইন্দনেসতগী মীৎপু ঙাকথোক্নবগী কান্নবশিংদু ঐনা হৌজিক্তা খঙলক্লম্মী। ঐখোয়গী টিম লুচিংবা য়াম্বেম লাবনা উনগী লম্বীদা চাউরবা লীল অমা থেংনবগী ৱারী অমা ঐনা কোন্না তারকখি। অহানবগী কাঙবুনা নন্দনবনদা নুমিদাং পুং ১০.৩০দা অদুগা অরোইবা কাঙবুনা মথংগী অয়ূক পুং ৭তা থুংলম্মী। ঐদি অকোনবগী কাঙবুদনি, ঐদি গ্লেসিয়রদু কাবদা হন্না হন্না পোত্থারম্মী। ঐখোয় অরোইবগী কাঙবুনা কেম্প য়ৌবদা য়াম্না ঈংলম্মী অদুবু ঐখোয়দা অশাবা সুপ পীথকপীবদগী শ্বর হোনবফাও ঙমদবা মখৈ ৱানা কারকপগী অৱাবদু কোক্তুনা ফনা য়াম্না ইশা তেকখৎলম্মী। এদভান্স পার্টিনা নন্দনবনগী কেম্পতুদা দম্বুর খনবীরম্লে, ঐখোয়গী দরকার ওইবা ফমুং ফানুং শেম্বীরম্লে অমদি শম্ননা লৈবা মফম অমদা চাকখুমসু শেম্বীরম্লে মদুনা ঐখোয়না চানবা চাক থোংবগা লোয়ননা মৈদা উন শৌদোকহল্লগা লুমথোক্তুনা থক্না-চানবগী শীজিন্ননবা শেম শারে। অসুম্না ঈমাইদগী মিটর ৪৪৪০ ৱাংবা নন্দনবনদা ঐখোয়গী বেজ কেম্প শেম্লে। মদুবু অশেংবা তীর্থগী উনগী চীংজাওশিং-মাউন্ট শিব লিঙ্গনা নোংচুপ্তা, মাউন্ট কেদার দোম অমসুং মাউন্ট খারচকুণ্ডনা মখারোমদা অদুগা মাউন্ট ভাগীরথী চীংশাং নাপোমশিংনা নোংপোকলোমদা ইকোয় কোয়শিল্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।